**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- ডাঃ শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিনা লৈবাক অসিগী রাজনীতি অমদি শিক্ষাগী লমদা শিংথানিঙাই ওইবা থৌদাং লৌদুনা থবক কয়া পায়খৎলম্মী।

২) ৭৬ শুবা বন মহোৎসবকী গ্রান্দ ফিনালে হয়েং ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা শরুক য়াগনি।

৩) শ্রী সোরেনশংবম ব্রোজেন মঙাংবু মণিপুর পিপলস পার্তি (এম.পি.পি)গী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে।

৪) ব্রাজিলগী রিও-দি-জেনেরিওদা ঙসি নুমিদাংদগী হৌগদবা ১৭ শুবা ব্রিক্সকী অৱাংবা থাক্কী মীফমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ৱা ঙাংগনি।

অমসুং

৫) ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হয়েং নিউ দিল্লিদা কন্ত্রোল্লরস কনফরেন্স ২০২৫ হৌদোক্কনি।

**------**

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- ডাঃ শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিনা লৈবাক অসিগী রাজনীতি অমদি শিক্ষাগী লমদা শিংথানিঙাই ওইবা

থৌদাং লৌদুনা থবক কয়া পায়খৎলম্মী। ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ডাঃ শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী ১২৫ শুবা মপোক কুমওন নিংশিং থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- ডাঃ মুখর্জি অসি মরৈবাক নিংবা নিংতম লান্মী, তুংগী মীৎয়েং শানবা অমসুং খণ্ড হৈরবা অনৌবা ভারতকী ইতিহাসকী শকাইরবা মীশক অমনি। লৈবাক অসি শেমগৎপদা ডাঃ মুখর্জিনা লৌরম্বা থৌদাং অদুবসু রাজ্যপালনা নৌহৌননা নীংশিংখি।

মহাকা হায়- ডাঃ মুখর্জিনা লৈবাক্কী অপুনবা শক্তম শাগৎনবা চোকথবা লৈতনা হোৎনরম্মী। মশাগী ওইজবা থাদোকপা, লৈবাক্কী অমদি সংবিধানগী অপুনবা শক্তম শাগৎপদা ডাঃ মুখর্জিবু নীংশিংবগা লোয়ননা মহাক্কী ফিদম লৌনবসু রাজ্যপালনা মীয়ামদা আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা ডাঃ মুখর্জিগী পুন্সি অমসুং মহাকা তৌরম্বা থবকশিংগী দোক্কুমেন্টরি অমসু উৎখি।

বন মহোৎসব (এল)ঃ ৭৬ শুবা বন মহোৎসবকী গ্রান্দ ফিনালে হয়েং ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাসু শরুক য়াখি। মদুগী মমাংদা রাজ্যপালনা ইম্ফালগী কংলা ফোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা উ চারা থাবগী থৌরমদা শরুক য়াগনি।

লৈবাক্কী মফম পুমমক্তা চয়োল অমা চুপা চথুগদবা বন মহোৎসবকা মরী লৈননা ঙসি থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মীৎয়েং মখাদা ককচিং রেঞ্জনা শিন্দুনা শরিক খোঞ্জিনগী চীংগী ভিউ সেন্তর অমদি মসিগী অকোইবদা উ চারা কয়ামরুম থাখ্রে। মণিপুরবু অশং অমান্না থনবা মফম অমা ওইহনশি হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা উ থাবগী থৌরম অদুগী মতাংদা ককচিং রেঞ্জগী রেঞ্জ ওফিসার হুইদ্রোম শুন্দরনা হায়- থারিবা উশিং অসি হিংহন্নবা হোৎনবদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টখক নত্তনা অকোইবদা লৈরিবা মীয়ামগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ।

এক পের মাকে নাম হায়বা পান্দমগী মখাদা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনেল, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং নেচর ক্লব হাওরৈবীনা পুন্না শিন্দুনা এৱারনেস কম

ট্রি প্লান্টেসন প্রোগ্রাম অমসু ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হাওরৈবী অৱাং লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অখণ্ড অহে কয়ানা তোঙান তোঙানবা হিরমদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা হাওরৈবী অৱাং লৈকাইদা উ চারা কয়া থাখি অমদি মীয়ামদসু য়েন্থোকখি।

কাং (এল)ঃ মনিপুরগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা মশান্না অমা ওইরিবা ‘কাং’ য়োকখৎনবা অমদি মসিগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা মনিপুর য়ুনিভরসিতি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুশু)না শিনদুনা ঙসি য়ুনিভরসিতি অসিগী মনিপুরি দিপার্টমেন্টকী কাংশঙদা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ হুমনি চখ্থগদবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা য়ুনিভরসিতি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-নাওরেম লোকেন্দ্র সিংহ, মনিপুর কাং এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-এম. যাদুমণিনচিংবা শরুক য়াখি। ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিদা য়ুনিভরসিতি অসিগী ফেক্লতিশিং, মহৈরোইশিং য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়ারি।

এমপিপি (এল)ঃ শ্রী সোরেনশংবম ব্রোজেন মঙাংবু মণিপুর পিপলস পার্তি (এম.পি.পি)গী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে। ইম্ফালগী জি.এম. হোলদা ঙসি পাঙথোকপখিবা দলগী জেনেরেল কনফরেন্স অমদি মীরেপ ৫ লম্বা তৌনখিবা প্রসিদেন্টকী মীখলদা শ্রী ব্রোজেনবু এম.পি.পিগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবনি। শ্রী ব্রোজেন্না মহাক্কী খ্বাইদগী নকবা লম্বা এস. ইবোমচাদগী ভোৎ মশিং ৮১ হেনদুনা মায় পাকখিবনি।

কংগ্রেস (এল)ঃ রাজ্য অসিদা হান্নগুম শান্তি হঞ্জিল্লক্লে হায়রবসু মণিপুরগী তেরিতোরিয়েল অমসুং এদমিনিষ্ট্রেতিভ ইন্তিগ্রিতিদা অকায়বা লাক্লবদি মদুগী কান্নবা লৈতে।

ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগা মীফম অমদা মণিপুর কংগ্রেস কমিতিগী ভাইস প্রসিদেন্ট হরেশ্বর

গোস্বামিনা হায়- বি.জে.পিনা অথুবা মতমদা রাজ্য অসিদা পোপুলর গভর্নমেন্ট অমা লাক্লগনি হায়রিবা অদু হান্নগীগুম্বা ফিভমদা অমুক লাক্লগদি মদুগী কান্নবা থোইনা লৈরোই। মদুগী মহুৎতা নৌনা মীখল পাঙথোক্নুনা পুমনৌ নৌবা সরকার অমা শেম্বনা হেন্না অফবা ওইগনি।

উখ্রুল (এল)ঃ জোনেল ইজ্কেসন ওফিস অমসুং ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল উখ্রুলনা পুন্না শিন্দুনা মহৈরোইশিংগী আধার অমদি অপার এনরোল তৌবগী থবক কন্না চথরি। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার শ্রী অসিস দাসনা জেদ.ই.ও ওফিস অমসুং উখ্রুল ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলদা মহৈরোইশিংগী আধার অমদি অপার এনরোলমেন্ট তৌনবগী থবক য়াংশিন্নবা খঙহনখ্রে। থা অসিগী অরোইবা ফাওবদা চাদা চামা এনরোলমেন্ট তৌননবসু খঙহনখি।

কিল্ড (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী সেন্দ্রাদা ঙসি নুংথিল নুপা অমা থাংনা থিনদুনা হাৎলম্লে। ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমীনা হায়- নুপা অদু চহি ২০ লোমতা ঙাইরিবী মহাক্কা হান্না খঙনরম্বনি হায়বা ইম্ফালগী ক্বাকৈথেলদগী নুপী অমনা হাৎলম্বনি। নুপী অদু পুলিসনা ফারে হায়রি।

সাইকল (এল)ঃ স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা সনদে ওন সাইকলগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদা লৈবা নৈনশঙ ক্লবতগী পদ্মাশ্রী অমদি ওলিম্পিয়ন এন. কুঞ্জরানি দেবীনা লমথাখ্রে। সাইকল রেল্লি অদু নৈনশঙ ক্লবতগী হৌরগা নাওরেমথোং, উরিপোক, কংলাগী নোংচুপ থংবা গেট, নিত্যাইপাৎ চুথেকচিংবা ফাওদুনা চৎলগা ক্লব অদুদা অমুক হল্লকখি।

নোং ঃ ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ ৫-৬ নি অসিদা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক, ময়াই থংবা অমসুং অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা অকনবা নোং চুগনি।

আই.এম.দিনা হায়- লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা হিমাচল প্রদেশ অমসুং মহারাষ্ট্রগী ময়াই থংবা শরুক্তসু কা হেন্না কন্না নোং চুরবা য়াই। হরিয়ানা, চান্দিগর, পঞ্জাব অমসুং উত্তর প্রদেশতসু থা অসিগী ১০ ফাওবদি অকনবা নোং চুগনি।

মোদি ঃ ব্রাজিলগী রিও-দি-জেনেরিওদা ঙসি নুমিদাংদগী হৌগদবা ১৭ শুবা ব্রিক্সকী অৰাংবা থাক্কী মীফমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিসু শরুক য়াগনি। মীফম অসিদা মালেমগী লৈঙাক সাসন নৌনা শেমদোকপা, অঙ্গৈং অশাগী ফিভম হোংলকপা, আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স য়াওনা মরুওইবা ৰাফম কয়া খন্নগনি। হকশেল, মালেমগী সমস্য কয়াবু কোকহন্নবগীদমক আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সপু নিয়ম চুমা শিজিন্নবা, অঙ্গৈং অশাগী ফিভম হোংলকপা মায়োকনবা শেল থাদনবা মল্টিলেটরেল বেঙ্কশিং নৌনা শেমদোকপনচিংবগী মতাংদা পুন্না থবক পায়খৎমিন্ননবগী ফ্রেমৱার্ক অমা মীফম অসিনা শেম্বা পাম্মী।

মীফম অসিদা য়াওবা লাকপা লুচিংবা কয়াগসু শ্রী মোদিনা তোঙান্না উন্নগনি। নুমিৎ নিনিগী মীফম অসিগী শ্রী মোদি ব্রাসিলিয়াদা চৎকনি। মসি হৌখিবা চহি ৬০ রোম অসিদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমগী অহানবা খোঙচৎনি। শ্রী মোদিনা রাষ্ট্রপতি লুইজ ইনাসিও লুলা দি সিলভাগসু উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরি হেন্না ফগৎহন্নবা ৱারী শান্নগনি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হয়েং নিউ দিল্লিদা কন্ট্রোল্লরস কনফরেন্স ২০২৫ হৌদোক্কনি। নুমিৎ হুমি চথগদবা মীফম অসি দিফেন্স এক্কাউন্টস দিপার্টমেন্ট (দি.এ.দি)না যুম্বু ওইদুনা শিনবনি।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী চেরোল অমদা হায়- থৌরম অসিদা অৰাংবা থাক্কী বিজিনেস সেসন ৮ লৈগনি। মদুদা বজেট অমসুং এক্কাউন্টস রিফোর্ম, ইন্তরনেল ওদিৎ রিষ্ট্রকচরিং, কোলাবোরেতিভ রিছার্স, প্লাইসিং ইনোভেসন অমসুং কেপাসিতি বিল্ডিংনচিংবা য়াওগনি।

কুমশি চহিগী মীফম অসিগী নুংগী ওইবা ৱাফমদি- দিফেন্স, ফাইনান্স অমসুং ইকোনোমিক্সকী খুথাংদা ত্রান্সফোর্মিং ফাইনান্সিয়েল এদভাইস, পেমেন্ট, ওদিৎ অমসুং এক্কাউন্টিং হায়বসিনি। দিফেন্স ষ্টাফকী মকোক জেনেরেল অনিল চৌহান, সার্ভিস অহুমগী মকোকশিং, দিফেন্স সেক্রেতরি রাজেশ কুমার সিংহ, দিফেন্স সার্ভিসেসকী ফাইনান্সিয়েল এদভাইজর এস.জি. দাস্তিদার অমসুং দিফেন্স এক্কাউন্টসকী কন্ত্রোল্লর জেনেরেল ডাঃ ময়ঙ্ক শর্ম্মনচিংবসু হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াগনি।

অমিত ঃ কেন্দ্রগী কোওপরেসন মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা কোওপরেতিভ সোসাইতিশিংগী অচৌবা মতেং য়াওরি। কোওপরেসন মন্ত্রালয়গী চহি মরি মপুং ফারকপগা মরী লৈননা গুজরাতকী আনন্দদা পাঙথোকখিবা অমুল অমসুং এন.দি.দি.বিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া উৎপগী থৌরম হৌদোক্লদুনা শ্রী সাহনা হায়- অনৌবা পি.এ.সি লাখ ২, সাহাকারিদা য়ুনিভর্সিতি, চীঞ্জাক্কী মহৈ মরোং পুথোকপা অমসুং য়োনবগা মরী লৈনবা কোওপরেতিভ সোসাইতি অহুম অমসুং শঙ্গোমগী পোথোক পুথোকপা কোওপরেতিভ সোসাইতি অহুমনা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা লৈবাক অসিগী কোওপরেতিভকী ইহৌ হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনগনি। ডাঃ শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী মপোক কুমওনদা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলদুনা শ্রী সাহনা হায়- ডাঃ মুখর্জি লৈরমদ্রবদি কাশ্মীর অসি ভারতকী ওইরম্লোই।

হেলথ ঃ কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা ঙসি নিউ দিল্লিদা নর্সিং ওফিসার লিশিং ১,২০০ হেনবদা মখোয়গী এপ্পোইন্টমেন্ট লেট্টরশিং খুৎশিন্নখ্রে। থৌরম অদুদা দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি রেখা গুপ্ত শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী নদ্দানা হায়- ভারতকী হকশেলগী থৌশিল অসি ঙসিদি অনাবশিং লায়েংবা খক্তা নত্তনা নারক্তনবা মাংজোননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপরোমদা অহেনবা মীৎয়েং চংলক্লি। মহাকা হায়- অনা লায়েংগী লমদা ভারত অসি মপুং ফানা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইরে। শ্রী নদ্দানা হায়-

দিল্লি সরকারনা আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির লিশিং ১,১০০ শানবগী কাইথরকপা শেনফমশিং মথং চহিগী মার্চ ফাওবদা নিয়ম চুমা শিজিন্নগনি হায়বগী থাজবসু মহাকা পীখি।

মহারম ঃ লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি চীং-লেম্বা অমসুং ইকায় খুমবগা লোয়ননা অসুরা ই মহারম পাঙথোকখ্রে।

প্রোফেট মহামদকী মশুনুপা হজরত ইমাম হুসেন অমসুং মহাক্কা লোয়নবশিংনা লৈখিদবা নুমিৎকা মরী লৈননা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা তাজিয়া প্রোসেসনশিং চৎখি। কারবালাদা সহিদ ওইখিবশিং অদুগী থোইদোক হেন্দোকপা কৎথোকপা অদুবু নিংশিংদুনা মাজালিস নত্রগা ধর্ম্মগী ওইবা মীফম কয়া পাঙথোকখি।

নেপাল ঃ নেপালদা নাগরিক উনমুক্তি পার্তি (এন.য়ু.পি)না কে.পি. শর্ম্মা ওলিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা সরকারদগী তোকবা ৱারেপ লৌখ্রে। অদুমওইনমক, লৈবাক অদুগী সংসদতা এন.য়ু.পিগী মেম্বর মরিখক লৈবনা চুংশিন্নবা সরকার অদুদদি থোইনা শোকহন্দবা য়াই হায়রি। এন.য়ু.পিগী চেয়ারপার্সন রঞ্জিতা শ্রেস্থানা হায়- দলগী পার্লিয়ামেন্টরি পার্তিগী মীফমদা মহাক্কী দলনা সরকারদগী তোল্লগা বিরোধি ওইনা লৈনবগী ৱারেপ অদু লৌখিবনি। থা অসিগী ২২ দসু চুংশিন্নবা সরকার অদুদা য়াওরম্বা মেম্বর মঙা লৈবা জনতা সমাজৱাদি পার্তিনসু সরকারবু শৌগৎপা তোকবা ৱারেপ লৌখিবনি।

য়ুএস ঃ আমেরিকাগী সেন্ত্রেল টেক্সাসতা চাউনা ঈচাউ থোকপদগী হৌজিক ফাওবদা অঙাং ১৫ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৫১ শিরে। সম্মর কেম্প অমদা য়াওখিবা নুপীমচা ২৭ সু থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি। ইম্মরজেন্সি সার্ভিসেসকী কাংবুনা মীওই ৮৫০ হেন্না কনখ্রে। টেক্সাসকী গর্ভনর গ্রেগ এবোটনা মী থিবগী থবক হেন্না কনখৎহন্নবা দিজাষ্টর থোক্লে হায়না লাউথোক্লে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ ক্ষেত্রিময়ুম বিরেসদগী--

ফুটবোল ঃ ভারতকী নুপীগী ফুটবোল টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াদা মথং চহিদা পাঙথোক্কদবা এ.এফ.সি কপ ২০২৬ কীদমক ক্বালিফাই ওইরকপদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। ঙরাং থাইলেন্দগী চিয়াংমাইদা শান্নখিবা গ্রুপ-বিগী ক্বালিফায়িং রাউন্দগী অরোইবা মেটচতা ভারতনা য়ুম্বু থাইলেন্দবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখিবনি। অম্ফানা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ভারতকী টিমদা মণিপুরদগী শান্নরোই ১০ য়াওখি। মায় পাক্লবা ভারতকী টিমদা য়াওরিবা মণিপুরগী শান্নরোইশিং হয়েং নুংথিল পুং ১ মিনিত ১৫ দা ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা থুংলগনি।

ফুটবোল ঃ অনিশুবা প্রিমিয়র লিগ ফুটবোলগী ঙসি তাকয়েলদা লৈবা সাই গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা- এফ.সি. রিংদাইনা অংথা এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা, এথলেটিক্স ব্রদরস এসোসিয়েসন্না সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাংগোই ফুটবোল এসোসিয়েসন অমসুং রাইজিং এথলেটিক য়ুনিয়ন পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা ড্রো ওইখ্রে।

বোক্সিং ঃ কজাককিস্তানগী অষ্টানাদা চত্থরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং কপ ২০২৫ দা ভারতকী বোক্সর ৮ ফাইনেল চংলে। নুপীগী কিলোগ্রাম ৪৮ গী কাংলুপ্তা মিনাক্সি হুদা, কিলোগ্রাম ৫৪ কাংলুপ্তা সাক্সি চৌধুরি, কিলোগ্রাম ৫৭ কী কাংলুপ্তা জসমিন লমবোরিয়া, কিলোগ্রাম ৮০ গী কাংলুপ্তা পুজা রানি অমসুং কিলোগ্রাম ৮০ মথক্কী কাংলুপ্তা নুপুর সিওরননি।

নুপাগী কিলোগ্রাম ৭০ গী কাংলুপ্তা হিতেস গুলিয়া, কিলোগ্রাম ৬৫ গী কাংলুপ্তা অভিনাস জমৱাল অমসুং কিলোগ্রাম ৮৫ গী কাংলুপ্তা জ্গনু অহলাৱটনি। মসিগা লোয়ননা বোক্সিং ৱার্ল্ড কপ অসিদা ভারতনা তকমান ১১ দি ফংলগনি।

------